# ইমা-ইপাদি মিৎনা উবা লাইনি

## (নুংশিনা ইরাৎ-পুজা পাঙথোকসি ইমা-ইপাগীদমক, মখোয়গী লমনদি শিংবা ঙন্নরোইদবনি)

– কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) –

"কোরৌ নোংদোন্না ৱাংবরা?
পন্থৌ ইপানা মৱাংলি।
মালেম ইমানা লূম্বরা?
পলেম ইমানা মরুমলি।"

শিংথাবদা লোইবা নাইররোইদবা ইমা-ইপাগী মতিক মগুননি। পন্থৌ-পলেম অনীবু তোল্লবা নচানা খোঙ অনীমকপু কোল্লগা পুনেমজরি। মিৎকুপ অমা ফাওবা নখোয় অনীবু কাউজদে। মতমগী খোঙচৎনা নখোয় অনীমকপু পুখ্রবসু নখোয়গী থম্মোয়দি ঐখোয়গা পুনখরে। নুংশিজখ্রবা শক্তম অনীদো নীংশিংদুনা, উদুনতা লৈরি। মালেমসিদা ইমা-ইপাদগী হেনবা কনাসু-করিসু লৈরমদে। মখোয়সি থৱায় পানবা মীৎনা উবা লাইনি। থৱায় য়াওদ্রবা শক্তমশিংদা খুরুম্বগী মহুত্তা, ইমুংদা লেঙদনা হিংলিবা ইমা-ইপাবু নীংবনা অমসুং নুংশিবনা হেন্না ফরোইদরা? ঐখোয়গী ইমুং খুদিংমকসি লাইশঙনি। অফবা মীনা মমা-মপাবু কাউদবা মীসি।

অহল ওইরবা নুপা-নুপী খুদিংমকপু ইমানি-ইপানি খন্থফম থোক্তবরা? তাইবঙসিদা 'ইমা-ইপা' হায়বা লাইশোনদগী হেন্না শিংথানীংঙাই ওইবা ৱাহৈ অমত্তা লৈতে। নুপী খুদিংমকপু ইমানি, ইচেনি, ইচলনি, ইচানুপীনি হায়না থম্মোয়দা থমগদৌবনি। ৱাখলসি থম্মোয়না খন্থবা ঙমদ্রবদি নুপা অদু তাইবঙ মী নত্তে।

মমা-মপাগী ঈনা মচাশিং শেল্লিবনি। অদুনা মমা-মপা হায়বসি নুংশি চান্ননা লৈমিন্নদবা য়াদে। মতিক চাবা মমা মপানা অফবা মচাশিং পোক্লি। মমা-মপা হায়বসি হীরম অমত্তদা শোয়বা য়াদে। ওইসি অফবা মমা মপা অমমম। অফবদি খঙবদা মতম চঙই। লোৎতুনা লৈরম্বনি। ফত্তবা থবক, ফত্তবা মী হায়বসিদি মীয়াম্না খুদম খুদক্তা খঙনরিবনি। ফত্তবা হায়বসি মনম নমথীরবা মীনি খুন্নাইসিগী ওইনা। ফত্তবশিংনা খুন্নাইসি লৈখা তাহল্লি। অরোইবা নাইবা মীওইবগী মপোকনি। ঈজৎ লৈবা মীনা ঈজৎ লৈবা থবক তৌরকপনি। মীংচৎ-ঈজৎ করিনো খঙদ্রবা, খঙশিন্নদ্রবা মীওইদুদি থৱায় য়াওদ্রবা মমিনি হিংলিবদু। মসিবু কনানা ইকায়খুম্নগদৌরিবগে? ৱাফমসিদগী খরা থৈদোক্লগা ৱাফম খরদং ইজরি।

"ও খোংনা, থম্মোয় কায়না তেংথাখি, কপখি। ববা নহাক্তি ঐহাকপু নহাল মখৈ ঙাইদুনা লৈরম্মোইরে। লেপ্পা লৈতনা শুমাংদুদা কোয়চেন চেল্লগা য়াম্না লাউনা কপখি। পেন্দবনা পীক থনবনা মীৎকী পীদু লেপ্পা লৈতনা তাখি। ইজরিবা পুংফমসিদসু পি তারি। অপোকপদা বাবা কৌজে। অয়ূক্কী পুং ১০.৩০ রোম তাবগী মতম, থাংজ নুমিৎ, ওক্টোবর ১৭, ১৯৮১দা ঐবু মালেমসিদা খোঙদাহনবীরম্বা অপোকপদু উজবা ফংদবা অদুবু থম্মোয়নদি ঙরাংতা ওইখিবা থৌদোক্কুম উরি। খঙহৌদে মতমসি।

অৱাৎ-অপা করিসু ৱাৎলমদবা, লৈরমদবা মীনা পুন্সিসিদা খঙহোং হোংবসি হিংনীংদবা পুন্সি ওইরকপা হায়বসি হৌনশানি। অসিগুম্বা ৱাখলসি বাবাদা লাকখিবা মাল্লি। অহানবা ষ্ট্রোক তৌখ্রবা মতুংদা মহাক লায়েংসি হায়বা শুকয়া য়াখিদে। মহাক লায়েংলোই, হিংনীংদে হায়বীরমখি।

কৎথোকপা, পীথোকপা, মতেং পাংবা হেনমনবদগী মহাক্কী অরোইবা তাঙ্কক্তু মতোমতা পেঞ্জখিদে। মশাগীদি করিগুম্বা ওইজবা অমত্তা খনখিদে। ইশামক্লা ৱাফমসি অঙাং ওইনা তাজহৌখি, ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিগী চ্যেরমেন ওইবীরম্বা পাবুং লাইওইখ্রবা সলাম গম্ভিরনা "তামো ঐহাক্লা চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা বজারদা (কৈথেলদা) প্লোট অমতা লৌবিহৌ" অদুদা বাবানা খুমখি "ইবুংঙো ঐহাক প্লোট পামদে।" লন-থুম, লৌ, ইঙ্খোল অমত্তা লৈরগা থল্লমদে। মীঙোন্দা শেল পীবদা মশীং থিরগা কৈদৌঙৈদা পীখিদে। শেল বন্দল অদু (মপুন অদু) পুল্লপ পীগনি। লৌরিবা মীদুনা মশীং থিরগা লৌহনখি। য়ূম শাবসু পুল্লপ শাই। বাবাগী ময়াম্বগী শরুক্তু (নাকলদু) হান্না লোইশিল্লি। মহাক্কী শরুক্তু কোন্না শাখি। লৈরকপা পোৎ খুদিংমক অফবা, অচৌবা, ফজবদু য়ূমজাওরোমদা (ময়াম্বগী ময়ূমদা) পীগনি। অসিগুম্বা লিচৎসি বাবানা হীরম খুদিংদা পাঙথোকখি। খরদি অতাঙবা থম্মোয়নি।

বাবানা অঙাং ওইরিঙৈদা শিলোংদা স্কুল্লিং তল্লকখি। এয়র ফোর্সকী পাইলোট ওইগনি হায়দুনা হোৎনরকখি হায়। মপুন্সিসিদা নুপীগা কোয়রকখিবা মীওই ওইখিদে। অবোক্লা হায়বীরম্বনি ৱাফমসিনা। ফত্তবশিংনা য়োমশিল্লগা, শাইদৎতুনা মাঙখিবা বাবাগী পুন্সিনি। ফাগী য়াম্না তৌই। মীয়ামগী মী হায়বদু ওইখি। মরী-মতা, শাগৈ-নাতৈগী মীয়াম্না পুশিল্লকপা মীতোপশিংদা ব্লেঙ্ক চ্যেক (অহাঙবা চ্যেক) পীরুবদগী মঙোন্দা মতোমতা মাঙজবা কয়া ওইখি।

পুকচেল পীকপা, মশাগীদা খনবা, কখোকপা থম্মোয় য়াওদবা মীদগী মহাক লাপ্পা লেপ্পমখি। পীজ-পীথক য়াম্না কল্লি। য়াইস্কুল এ সীদা ইহান হান্না ইলেক্সন লেপহল্লগা মায় পাক্লনবা হোৎনরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ফাওবা ওইহন্নবগী মতেং পাংখিবা ঐগী অপোকপনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টর অদুদগী করিগুম্বা মখল অমত্তগী মতেংদি লৌখিদে।



নুংশিজরবী অপোকপী ইমা



নুংশিজরবা পন্থৌ

লৌশিনবা হায়বসি মহাক্কী ঈদা য়াওখিদে। পীথোকপা, কৎথোকপা হায়রিবসি মহাক্কী লাইনীংনি। কনাগুম্বা অমগী লমন তোল্লমদে। ইখঙ খঙহৌদনা লোইখি বাবাগী পুন্সি অদু। ঐবু কোনবী নুংশিনা বাবানা লোয়নরম্বশিংনা। তামো অদু নুংশিদা হায়দুনা।

ঐহাক্লা রাষ্ট্রিয়া ইন্দিয়ন মিলিটরি কোলেজ (আর আই এম সী), দেরা দুনদা কেদেট ওইরিঙৈদা বাবানা সেন্টেন্স অহুমখক্কী চিঠি তোয়না ইরকখি। সেন্টেন্স অহুম অদুদি - "ক্লাসতা ফর্ষ্ট তাননবা কন্না হোৎনৌ। নমান্নবগা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নৌ। মপু (ঈশ্বর) বু নীংঙউ।"

কনাগুম্বা মী অমত্তগা মরৈ য়েৎনবা, ৱা অকনবা ফাওবা বাবাদি ঙাঙলমখিদে। মপুন্সিদা মী অমদা ৱা ফাওবা কন্না ঙাঙখিদবা অপোকপনি। ঐহাক্কী মিংসি বাবানা থোনবীখি হায়। অদুবু নোংমতসু ঐগী মিং কৌখিদে। ইবুংঙো, ইবেম্মা হায়বা ৱাহৈসিদগী হেনখিদে। বাবানা হিংলিঙৈদা খূৎপাক্লা শেৎ ফাওবা থাবীখিরমদে। অতৈ মীওইশিংগা য়াম্না খেন্নবা উখি অমসুং উরি।

হৌজিক্কী মতমদা শ্রী ভগবান রামগুম্বা মচাদি উররোই। মপাবু নুংশিবদগী য়াথং ঙাকপগীদমক মহাক চহী ১৪ বন্দদা চৎখি। সিংহাসনদগী হেনবদি অপোকপা মপাগী য়াথং ইনবদুনি। মরম অদুনবু ঙসি ফাওবদা অমসুং মতুংদসু শ্রী রামগী মমিং শোন্নরিবা অসিনি। মপাবু হাৎলগা নিংথৌ ওইখিবা কনাবু, কনানা নীংশিংবগে? ময়ায় তাংবল মুন্নবগী ৱারীবু পুৱারীগী লমায়দা লমায় কয়া ইবা য়াগদগে? পুৱারীদা অরানবা ৱারী ইবা য়াদে।

লাইরিক-লাইশুগী খুন্নাইদি হান্নদগী হৌনা ওইরক্তে। হৌজি কসু ওইদে। পাউচেশিংদা ইরিবা আর্টিকলশিংসি অপাম্বা খরনা পাবনি। মীয়াম হুপ্পা পাবদি নত্তে।

খুন্নাইসিদা অয়েৎ অপনসি মশীং খঙদনা লৈ। মালেমসিদা চরা শুনা চাবা ফংদবা মী মশীং খঙদনা হিংলি। অকে অমৌগী লীলাদা লুপ্নবগী লায়রবশিংদগী মখল মখলগী টেক্সশিং খোল্লি। ফত্তবশিংনা অফবা অমত্তা খল্লোই।

শা-ঙা ফাওবা মচাসি য়াম্না নুংশিনা-লুনা তৌই। সমুদ্রদা, ঈশিং অচৌবদা লৈবা সনা-মচুগী ঙা মখল অমখক মীদিয়া চেনেলদা উজখি। ঙা মপাদুনা ঙাদুগী লোয়নবীদুনা মচিন্দগী কামথোরকপা মরূমশিংদু লোইনমক য়োৎশিল্লি। অসুম্না ঙা মপাদু নুমিৎ ৫০ চূপ্পা ময়া কাদনা করিসু চাদনা মচাগীদমক অৱাবদু খাঙদুনা লৈরি। তাইবঙ মীওইবা, খ্বাইদগী ফরে, শিংলে হায়রিবা কাঙলূপকী মরক্তসু য়াম্না তমথীবা হিংলি। মচা পোক্লগা হন্না শুকয়েং য়েংদবা কয়া অমসু মালেমসি লূম্নবা মতম লেল্লি।

শা-ঙা পূম্নমক মচাদুনা মতোমতা হিংনবা চিঞ্জাক থিবা ঙমদ্রিবা ফাওবদি ঙাকপী শেনবী। য়াম্না লুনা তৌবীবা শাশিংদি মপুগীদমক থৱায় ফাওবা থাদোক্লি। মপুনদি শাগীদমক পুন্সি কৎথোকপসি য়াম্না অতাঙবনি। অদুনদি তাইবঙ মীগা ভর্সেস শা-ঙাগা চাংদম্নবদা শা-ঙানা হেন্না ফবগী খুদম য়াম্না লৈরি। মখোয়দি মীনম্বা থবক থৌরম পাঙথোক্তে। অরোনবা লৈতে মখোয়গী পুন্সিদা। তূমিন্না চৎলম-পরম থুগাইরগা শা অমোমবু মীরোনহনদে। মীদদি লোন্না পাঙথোক্লি। করপসন লৈতে। ময়ায় তাংবল মুন্নদে। অরানবদু অচুম্বনি হায়না ওনখৎলক্লোই। মীগীদি কোর্ট হায়দুনা থল্লি। ফী শেৎতবা শা-ঙানা ইকায়গদৌবা থবক অমত্তা পাঙথোক্তরে। অদুগা ইকায় হায়দুনা ফী শেৎলিবা ঐখোয়না ইকায়বা খঙদনা নিতি-নিয়ম কায়বা থবক থৌরমশিং মথং মথং পাঙথোক্লি। লমচৎ-শাজৎ লুদবসি শা-ঙাদা ইউ উদে। পুন্সিগী দিসিপ্লিন লৈবগী খুদমসি শা-ঙানা হেল্লি। শা-ঙাগী ওল্ড এজ হোম লৈতে।

ঐগী বাবানা হিংলিঙৈদা মহাক্কী থম্মোয়দু মচেৎ-মচেৎ য়েনথোকপীরমখি। মহাক্কীনি হায়দুনা করিসু থল্লমদবা মীওইনি। মহাক্কী মপোক্তু অরংবা মিংশেল অমগুম্বনি। মীনম্বা ৱা পুন্সিদা ঙাঙখিদে। অচুম্বতা লুপচরগা হিংখিবা মীওইনি। চহী ৩০ হেন্না খুন্নাইসি কননবা পাউচে কয়াদা ইজরকপসি ঐবু পোকপীরম্বা পন্থৌ-পলেমগী ঈ অদুনি। মালেমসিদা খ্বাইদগী অফবা খুন্নাই অমা ওইননবা হোৎনবদা মতেং পাংনসি, ঙন্নোইদরনে? ●

---

## নুংশি নীংশিংবা / দশা য়েংজরি



চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, শেল-থুম, লল্লোন-ঈতিক, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, মরুপ-য়েক্লবা, য়ুম-ইঙ্খোল হকচাংগী অফ-ফত্ত অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপথনা য়েংজরি।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-P/3791/12/9-12/10

## থাগৎপা / অপেনবা ফোঙদোকচরি



সুধাকর

ঐগী ইচানুপী, অনামিকা (16 yrs)গী Right Upper Calyx তা লৈবা 3mm চাওবা নুঙ অমা অমসুং Right Lower Ureter দা লৈবা 7mm চাওবা নুঙ অনীসি নুংশিজরবা বাবা নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্ডী (মেদিসিন)গী অনীশুবা মচানিপা শ্রী লাইশ্রম সুধাকর, হার্বেল ফিজিসিয়ন স্পেসিএলাইজ ইন য়ুরিনরি ষ্টোন শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক, আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবগা তান্নজরুরগা চয়োল মরি লায়েংবীরবা মতুংদা অল্ট্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংজরুবদা নুঙ অনীমক অমত্তা লৈরমদ্রে। হৌজিক্তি ইচানুপীগী মশাদা হান্না লৈরম্বা নুংঙাইতবশিং অদুসু অমত্তা লৈত্রে। মসিদা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফাওজরে। মসিগীদমক্তা ওজা সুধাকরবু হন্না-হন্না থাগৎচরি। তুংদসু মীয়ামগী লেপ্তুনা সেবা ফংবা ঙম্বীয়ু হায়জরি।

অদোমগী ঃ **এল. রাজিভ রোই**
লাইরিক য়েংবম মখা লৈকাই
HL-P/4377/14,15,16

**থাগৎপা / খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, অমাংথোঙ ময়াদসু চাওনা পোম্বা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদুসু পোম্বা, অমাংথোঙ মপান্দগী খজিক্তুং হঞ্জিল্লগা চাথৎপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ তারকপা, ঈ তাবা অদু অয়ুর্বেদিক এলোপেথিগী হীদাক চারবসু খকউ শুকয়া য়াদবা, ঈ তাবা লেপ্তবা অসিনা মরম ওইদুনা হকচাংদা হেমোগ্লোবিন ৱাৎশিল্লকপা, মরক-মরক্তা ঈ কাপ্পা অসুম্না তৌরগা লৈবা, শা-ঙা চাবসু য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা চাওনা পোমথোকপা, অমাংথোঙসু য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা লোইরগসু অমাংথোঙদা চিক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদুসু চাউথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দগী খজিক্তুং হঙ্গৎলগা চাথৎপা, খোঙ অকনবা হাল্লকপা মতমদা চাথৎফম অদুদা থেংলগা য়াম্না নারগা খাঙবা ঙমদবা, খোঙ অকনবা হামদ্রিমখৈ ফবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, নোংম-নীনিসু খোঙ হাম্বা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, অমাংথোঙগী মপান অকোয়বা অমদি অমাংথোঙগী মপান্দগী খজিক্তুং হনগৎলগা লাইকোয়গুম্না চাথৎপা অদু য়াওনা হাক্তৎচবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam** ☎ **8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **S. Joykumar Singh**
Khurai
HL-B/7842/14

# T.M.D. BRICK FARM

Address: Opp. Khongjom Police Station
NH-39, Thoubal District, Manipur

| Sl. No. | Brick Class | Rate per 1 Brick |
|---|---|---|
| 1. | 1st Class | Rs. 15.00/- |
| 2. | 2nd Class | Rs. 14.00/- |
| 3. | 1st Reject | Rs. 13.50/- |
| 4. | Petti | Rs. 13.00/- |
| 5. | Jhamat | Rs. 11.00/- |
| 6. | 3rd Class | Rs. 8.50/- |
| 7. | Broken brick (Chektek) 1 (407 Truck) | Rs. 6000/- |

DELIVERY TRANSPORTATION CHARGES

| KM (Distance) | No. of Bricks | Rate |
|---|---|---|
| 30km | 2000 | 2800/- |
| 15km | 2000 | 2000/- |
| 10km | 2000 | 1500/- |
| 30km | 1500 | 2300/- |
| 15km | 1500 | 1700/- |
| 10km | 1500 | 1200/- |

Labour Charges: 2000 Brick, Rs. 800/- 1500 Brick Rs. 600/-

*First Come First Serve*

Contact No. 8119002731/7005658426
HL-P/4166/11/10-8/12 (alt)

## Office of the Planning & Development Authority Manipur

No.4/23/77-PDA(pt III):/102 Imphal, the 10th October, 2022

To,
Shri/Smt.......................................................

Subject: Notice

Sir/ Madam,

It is to inform you that, Office have already notified in the Local Newspaper dated 19th July, 2017 and again on 5th September, 2017 to all the shop owners (allottees) of Shop-Cum-Residential Complex, Lamphelpat to clear their dues instalment, penal interest, ground rent etc within the 15 (fifteen) days from the date of Notification.

Further it is to informed you that as per the Hire-Purchase Tenancy Agreement between the Authority and yourself, It is clearly stated that, under clause 2 sub section(r), the hirer shall make full and regular payment of all the dues that are required to be made by him in pursuance of the presents or the regulations. If any such payment is delayed, he shall be liable to pay a penalty at the rate of 18% per annum of the instalments due. In case of default of more than two consecutive instalments, the tenancy shall stand terminated and the hirer shall be liable to be evicted. All the outstanding dues of the owner shall be recoverable as arrears of land revenue.

It is also further to inform you that as per order of the then Gauhati High Court, Imphal Bench passed in Writ Appeal No. 26 and 27 of 1998 (all members of the shop-cum-Residential Owners' Welfare Association, Regd. No. 115/M/SR/88 and others -verses - The State of Manipur and Others before the Division Bench comprising of Justice J.N. Sharma and Justice N.S. Singh directed the Authority to take necessary step to throw out those person who fail to pay dues from the building within a period of 1 month from the judgement passed on 9/6/1999.

After taking into consideration of the above legal position, as you being the owner/ allottee of Unit No...... I hereby inform you to clear the dues within 15 days from the date of this notice/ order to avoid further legal consequences and to enable the Authority for preparation of the necessary conveyance and agreement deed.

Further it is to inform you that failing to clear the dues within the stipulated time; PDA may be compelled to take necessary action by cancelling allotment and eviction process of your shop/ Unit without giving further notice.

Yours faithfully,
-S/d-
**(M.JoySingh,IAS)**
Secretary i/c,
Planning & Development Authority,
Manipur.

HL-B/7862/14

***ADMISSION OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR
2022-23 IN BANGALORE

FEW SEATS ARE AVAILABLE!
STUDY IN ONE OF THE BEST DENTAL, ENGINEERING, NURSING AND PHARMACY COLLEGES OF BANGALORE

*** COURSES OFFERED: ***

(1) BDS Fees Structure : 16 Lakhs Package.
(2) B.E. (ROBOTICS / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure: 1st Year Rs : 1.35 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 90K per year.
(3) B.E. (Civil/Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure: 1st Year Rs: 85K, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
(4) PBBSc Nursing : 1st Year Rs: 1.05 lakh, 2nd Year Rs: 70K
(5) GNM Fees Structure : 1st Year Rs: 1.9L, 2nd Year Rs. 1.1L, 3rd Year Rs: 90K (including hostel).

NOTE : ALL UNDERGRADUATE AND POST GRADUATE COURSES, SEATS ARE ALSO AVAILABLE.

CONTACT US : 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/4149/5/10-19/10

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/

BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE,ARTS & COMMERCE

MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
FOUNDATION COURSE 2022 & Revision course 2023 FOR CLASS X,XI &XII
CLASS START : 19th,27th Sep.,& 22th Oct.2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN)
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI,KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE,HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7821/9/9-6/11(alt)

URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. KJ/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Direct selection & Joint for Airport job vacancy of Kolkata, Guwahati, Hyderabad, Bangalore & Delhi. Training with placement, Fresher & Exp. | | | |
| | i. G-CSA Officer (M/F)/Ramp Service Agent | 40,000 - 60,000 | 40 | G/M |
| | ii. Air Hostess / Cabin Crew(M/F) | 60,000 – 1 Lac | 30 | G/M |
| | iii. VIP Lounge Staff / Meet & Asst Staff(F) | 40,000 – 70,000 | 50 | XII/G |
| | iv. G-Shopping Mole/G-Retail CSA (M) | 40,000 – 70,000 | 50 | XII/G |
| | v. Plaza Staff/Hospitality/ HMS (M/F) | 40,000 70,000 | 40 | XII/G |
| | vi. Airport Driver(Heavy License) | 40,000 – above | 20 | VIII/X |
| 2. | Urgent Recruitment of Banking Staff of Nationalized Bank in Imphal. | | | |
| | i. Operational Staff (M/F) 25 yrs | 18,000 - 25,000 | 20 | G/M |
| | ii. Account Opening Staff (M/F) 26 yrs | 18,000 - 25,000 | 20 | G/M |
| | iii. Loan Officer Staff (M/F) 30 yrs | 18,000 - 25,000 | 20 | G/M |
| | iv. Credit Card Staff(M/F) 28 yrs | 15,000 20,000 | 10 | XII/G |
| | v. Phone Banking Staff(F) 28 yrs | 15,000 – 20,000 | 10 | XII/G |
| 3. | Urgent Recruitment of security guard in Gujarat. | | | |
| | i. Security Guard(Gujarat) | 20,000 –25,000 | 50 | VIII/X |
| | ii. Ex-Servicemen / Supervisor | 30,500 – EPF | 30 | VIII/X |
| 4. | In Imphal Post Vacancy | | | |
| | i. Security Guard/Ladies Guard (M/F) | 6,000 – Above | 40 | VIII/X |
| | ii. Ex-Servicemen/Security Supervisor | 8,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iii. Security Gunman Guard (M) | 12,000 Above | 10 | VIII/X |
| | iv. Office Reception(F) | 5,000 – Above | 05 | XII/G |
| | v. Micro Finance (R.O.)(M/F) | 5,000 – Above | 05 | X/XII |
| 5. | Urgent Recruitment of Airport Security in India | | | |
| | Airport Security Force(M) | 18,000 40,000 | 60 | X/XII |
| 6. | No. Deposit work at Imphal | | | |
| | i. Office Managerial Staff(M/F) | 5,000 Above | 50 | VIII/X |
| | ii. Bus Driver/Local Driver(Light/heavy) | 10,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | iii. Chowkidar/Cook Mother/Helper | 6,000 – 10,000 | 10 | VIII/X |

Date of Submission : 20-10-2022
Date of Interview : 21-10-2022
Pliz Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 3.30 p.m.
Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate
HL-P/4256/26,28,30,4,6,10,12,14,17,19

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FIRST COME FIRST SERVE BATCHES (EVENING) 4.30-7.50 PM/ 4.15– 7.40 PM 4.10-7.30pm 4.30 to 7.30 am
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE & COHSEM EXAM
HSLC STUDENTS OF 2022 TOPPERS
2nd Post DHANAJIT, 9th Post. SWATI, 10th Post KHENILA, 11TH Post NEVIYA, 15th Post AVANTIKA, 16th Post SHAGEINGANBA, 17th Post BIDAYA, 17th Post KHENIKA, 17th Post KHENIJA, 7th post SNEHA, 9th post MALEM, 3TH Post. PARES, 24th Post TANU
SCIENCE: 11 TH Post NEVI DITA, 4TH Post ROBINSON, 6TH Post SHAH MINHAZ, 8th Post. ANJU ANAND, 9th Post. THOUNGAMBA, 16th Post SAMANAN-
ARTS: 3RD Post FIROJH., 7TH Post OBINKUMAR, 8th Post. PARITON, 8th Post. PARIHAN, 10th Post. SANATHOI, 5th Post SHARMELI, 5TH Post BERON, 8th Post. LINTHOINGAMBI, 10th Post. BRINDASHI
STATE BOARD (BOSEM & COHSEM)
REVISION CUM FOUNDATION X-XII
CLASS X-3rd OCT XII-5th OCT (Sc/Arts/Com)
LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 30th SEPT
1st REVISION COURSE OF 55 DAYS X&XII
X-3rd NOV(BOSEM) XII- 3rd NOV (SC/ARTS)
LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 20th OCT
CENTRAL BOARD (CBSE)
CBSE REVISION CUM FOUNDATION X-XII
CLASS X-5th OCT XII- 7th OCT
LAST DATE OF FORM SUBMISSION : 30th SEPT
REVISION COURSE OF 55 DAYS
X-2nd Nov XII- 4th Nov
Last Date of submission :20th OCT
HURRY LIMITED SEATS
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE(2023-24) OF CLASS X & XII STARTED FROM 2nd week of DECEMBER.
PROVIDED PRINTED STUDY MATERIALS ** SUNDAY MOCK TEST SERIES
SPECIAL CONCESSION for Govt. school & 85% & Above
For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH #9862992105
HL-B/7838/20/9-4/10